# পল্লেলসু ফুবালা ওইরক্লে : লৌ খোইরিঙৈদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী পল্লেলগী মীয়াম মীপাইনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস):** ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী পল্লেল পি এসনা কোল্লিবা পল্লেল লৌরেল হায়না খঙনবা লৌফমদা লৌ খোইরিঙৈ অমসুং লৌরাং শুরিঙৈদা কুকি খুল ঐচ ৱাজাং লোমদগী নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপথোরকপদগী পল্লেলগী মীয়াম মীপাইনখ্রে।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মফম অসিদা পাউচে অসিনা চঙশিল্লুবদা ফংলকপা রিপোর্টশিংনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা মফম অসিদা তখেল্লম্বম





নন্দগোপাল (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোহল, পল্লেল মনীং বামোন লৈকায়দা লৈবগী লৌফমদা তুইনেম খুলদগী কুমারতরাও কৌবা মীওই অমনা ত্রেক্তরনা লৌ খোইখি। অদুগা কুমারগী লোয়নবী তোসিল মরিং (৪০) না লৌরাং শুবনি হায়রি।

অতোপ্পা মীতৈ নুপা অমনা লোং খোন্দুনা ঙা ফাদুনা লৈখিবনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমসু লৌরাং শুদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাদা লৌফম অসিগা থংনরিবা ঐচ ৱাজাং খুললোমদগী নোংমৈ কাপথোরকখিবনি হায়রি।

নোংমৈ মখোল তাবদা লৌ খোইরম্বা অমসুং লৌরাং শুরম্বশিং চেন্থোরকখি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পল্লেলগী ও সী লাক্তুনা য়েংশিল্লবগা লোয়ননা ককচীংগী এদিশনেল এস পি (ওপস) বিনোয় চোংথামসু মফম অদুদা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। তুংদা ২১-এ আরগী টিম অমসু লাকখি হায়রি।

নোংমৈ অদু কনানা করিগীদমক কাপ্পল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রবসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নৌনা দিপ্লোই তৌবা সিখ রেজিমেন্টকী পর্সনেল অমনা শোয়বদগী কাপথোকপা ওইরম্বা য়াই থাজনরি। অদুবু মমাঙথক্তা লানগী থৌদোকশিং থোকখিবা মফম ওইবতা নত্তনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ফুবালাদসু লৌমী অমা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবনা লৌবুক্তা থবক শুরিঙৈদা মখা তানা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা ওইগনি হায়দুনা মীপাইনরুবনি হায়রি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 100.492753 |
| US Dollar | 85.797933 |
| British Pound | 117.461250 |
| Australian Dollar | 56.042902 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.975548 |
| Japanese Yen | 0.593909 |
| Malaysian Ringgit | 20.364384 |
| Singapore Dollar | 67.290717 |
| South Korean Won | 0.063219 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.879449 |
| Thai Baht | 2.637621 |

## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

# রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং অদুম্মক শিজখ্রো হায়ব্রা লায়েংনবা শেল লৈতবদগী ইনমেট অমা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস):** চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবা পুরক্তবদগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপা মীওইশিংগী মনুংদগী মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা, শিনবা হোৎনজখিবগী থৌদোকশিং থোকখিবদা নত্তনা লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদ্রবশিংসু য়াওখিবগী মখা তারকপদা কোঙ্গৈই রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা শুগুনু পাঙল লৈকায়দগী অঙোম অজিৎ কৌবা ইনমেট অমা লায়ওং খঙদবা লায়নানা নারকপদগী ককচীংগী সী ঐচ সীদা পুখৎলবা মতুংদা মহাক্কী ফীভম লুশিল্লকপদগী রিলিফ কম্মিটিনা রিমসতা পুখৎতুনা



নুমিৎ ১০নিমুক লায়কন্নরল্লবা মতুংদা লায়ওং খঙবা ঙমদনা অদুম্মক লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা অঙোম অজিৎ (৩২) লান হৌরকপদগী রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌরকখিবনি। ইমুং মনুংগী ফীভম ফত্তবদা নত্তনা মচানুপা য়াইমসু লান মনুংদা ঙক্কী শরুক্তা মৈনা চাকপগী খুদোংথীবা মায়োক্নরক্লিবনি।

হৌজিকসু মহাক্কী লোয়নবী গঙ্গা (২৯), মচানুপা অহল (চহী ৬), মচানুপা য়াইমা (চহী ৩) অমসুং মচানুপী অমা ককচীংগী কোঙ্গৈই রিলিফ কেম্পতা লৈহৌরি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনমেটশিংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা অজিৎকী ফীভম অদুক্কী মতিক চাখিদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চান-থক্লবা অমদি নোংমগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খরদি পীবিরি অদুবু মদুনা ওইবা য়াদে। মচা মশুশিংগী লাইরিক তম্বা, শেৎ চানবা ফিরোল, নারক য়েল্লকপদা শীজিন্নগদবা শেল লৈজদে। অদুবু মহাক লায়েংবদা হীদাক লাংথক খরা পীরকপা, মতম মতমগী ওইনা লুপা লিশীং ৪/৫ খক পীরকপনদি মহাকপু কন্নবা হোৎনবা ঙমখিদে। মরম অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং অসি অদুম্মক শিজখ্রো হায়রিব্রা হায়বগী ৱাহং হংলকখি।

# প্রসিদেন্টস রুল মনুংদা এম এল এশিংদা দিভেলপমেন্ট ৱার্ক তৌহনবদা অয়াবা পীরিবসি রুলগী ৱাংমদনি : ও জয়

**ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদা অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা এম এল এ ৫৯গীদমক চৎলিবা থা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এম এল এশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ (কুমজা ২০২৫-২৬) গী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা এম এল এ অমমমদা লুপা লাখ ৫০/৫০গী শেনফম পূন্না লুপা লাখ ২৯.৫০ সেঙ্কশন তৌখিবগী মায়োক্তা লো মিনিষ্টিরসু ওইরম্বা ও জয়না থা অসিগী ২৭তা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা থৌওং অসি রিভিয়ু তৌবীনবা তকশিনখ্রবা মতুং ঙসিসু অহানবগী



চেরোল অদুবু নীংশিংহনবা ওইনা অনীশুবা চেরোল অমসু গভর্ণরদা পীশিনখ্রে।

ঙসি গভর্ণরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ও জয়না হায়, কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬কী মখাদা প্রসিদেন্টনা প্রোক্লেমেশন তৌদুনা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চৎনহল্লক্লিঙৈ মনুংদা এম এল এশিংদা দিভেলপমেন্ট ৱার্কশিং তৌনবা অয়াবা পীরিবসি মহাক্কী ওইবা মীৎয়েংদদি ষ্টেট অসিদা চৎনরিবা রুলগী মায়োক্তনি হায়না লৌই। মণিপুর অসি হৌজিক গভর্ণরগী খূথাংদা প্রসিদেন্টনা চলাইরিবনি। আর্টিকল ৩৫৬কী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না এম এল এশিংনা গভর্ণেন্সকী থৌদাং লৌফম থোক্তে। মরম অসিনা মখোয়দা লুপা লাখ ৫০/৫০গী শেনফম পীরিবসি লৈঙাক্কী স্কিমগী মায়োক্তনি অমসুং কন্সটিট্যুশননা পীবা কাঙলোনগী ৱাংমদনি। মরম অসিনা শেনফমশিং অসি পীখিবগী থবক অদু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়খি।

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চখুরকপা দি এ জে জি য়ু এ কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লুংতিন সব দিভিজনগী মনুং চনবা লেপলেন য়ু জে বি স্কুলদা চখুরকখিবা ধর্তি অবা জনজাতিয়া গ্রাম উট্কর্স অভিয়ান (দি এ জে জি য়ু এ) গী কেম্প্যেন ঙসি লোইশিনখ্রে।

থৌরম অসি বি দি ও সাম্যুএল মিশাওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীংমী ফুরুপশিংগী পূন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা হৌদোক্তুনা পাঙথোরকখিবনি। কেম্প্যেন অসিনা টি গমনোম, মোলকোন, সী আইসান, লেপলেন অমসুং




দোংসুম তিনপিবুংনচিংবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিংসু কোনশিনখি।

পনবা য়াবদি, কেম্প্যেন অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মহেশ চৌধরিনা থা অসিগী ১৬তা হেনবুং খুলদা হৌদোকখিবনি। কেম্প্যেন অসি তোঙান তোঙানবা মফম ১৭তা চখুদুনা এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সি অহুমগী খুল ৫৯ কোনশিন্দুনা কেম্প্যেন অসিনা খুঞ্জাশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কান্নবশিং ফংহনখি।

## য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়বদা ঙরাং লৈরোংথেল পিত্রগী প্রাইমারি স্কুল মনাক্তগী মুতুম দিনেস (৩৮) কৌবা য়াইরিপোক নোংব্রম মখা লৈকায়দগী কে সী পি -পি দল্লিয়ু জিগী এক্টিভ কাদর অমা মোবাইল ফোন ২ অমসুং এ টি এম কার্দ ৩গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

# লূপ ৩না এম ঐচ এগী ওফিশলশিংদা...

*লমায় ২গী মখা...* মীহুৎশিং ওইরিবা অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রটাপ লৈশাংথেম, কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবা অমসুং ফোক্সকী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা শাহনা পূন্না খুৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিগী মীফম অদুদা এম ঐচ এগী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি অসিগী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ কে মিশ্রা, আই বিগী জোইন্ট দিরেক্টর রাজেস কমল্লে অমসুং অতৈ সিনিয়র ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা লূপ অহুমগী মায়কৈদগী মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং মাঙজিল থানা থবক্তা পাঙথোক্নবা পুখৎখি। অয়ূক পুং ১১দগী হৌরবা মতুংদা ঙাইহাক অয়ূক্কী চাক্লেন চাবগী লেপ্লুরবা মতুংদসু মখা তানা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখি।

লূপ অহুমগী মায়কৈদগী পুখৎখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনদি ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শোকহল্লকপা য়াবা থৌওং অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়বগী অচেৎপা ৱাফম অমুক হন্না ফোঙদোকখি। অদুগা কন্সটিট্যুশনগী মতুংইন্না লৈঙাক্না পীবা মরু ওইবা হকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্লবা অহানবা থবক ওইনা পায়খৎকদবনি অদুগা মতম অমসুং তাঙ্কক নাইনা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংবু মখোয়গী ময়ূম ইঙ্খোলদা হঞ্জিলহনবা অদুগা থবক অসি চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা তাঙ্কক নাইনা লোইশিনবগী মতাংদসু ৱারী শানখি।

মীহুৎশিংনা মণিপুরদা মায়োক্নরিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেশনগী ইস্যু কোকহন্নবগীদমক এন আর সী নৎত্রগা মসিগা মান্নবা পাম্বৈ অমা পুথোক্তুনা থবক্তা ওন্থোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

অদুগা মণিপুরগী ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্কী অয়াবা য়াওদনা অমসুং মাঙজৌননা খন্নদনা সু এগ্রিমেন্ট মখা তানা শাংদোক্লোইদবনি হায়বা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা মখা তানসু ইম্ফালদা লূপশিংগা এম ঐচ এগী ওফিশলশিংগা মীফম পাঙথোকপা চুমগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মীহুৎশিংগী মায়কৈদগী থমখিবা ৱাফম অমদনা ষ্টেট অসিগী ষ্টেকহোল্ডরগী মীহুৎশিংগা মখা তানা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারী শানবনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্লবা হোৎনবদা অশানবা মীৎয়েং ওইগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মণিপুরগী লূপ অহুমগী মীহুৎশিংনা পুথোকখিবা অতোপ্পা ৱাফমশিংগী মনুংদা গ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা খুদক্তা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বগা লোয়ননা এম ঐচ এ ওফিশলশিংগী খূথাংদা লৌমীশিংনা লৌ শুবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনবীগনু হায়বগী মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। অদুগা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মণিপুরদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং মশক খঙদোক্তুনা হলহনখিগনি হায়বা মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অদুগী মতাংদসু পুথোক্তুনা কদাই ফাওবা থবক লৌখৎলবগে হায়না হংখি। লোয়ননা থবক অদু মায় পাক্না পাঙথোক্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

অদুগা চূড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীগী মরক্তা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা কিলোমিটর ৩৪৩ শাংবা লম্বী অমা শেমগৎলকপগী অকুপ্পা রিপোর্টসু থিজিন্দুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎনবগীদমক খূৎশিন্নখি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা এম ঐচ এগী ওফিশলশিংনা লূপ অহুমগী মায়কৈদগী থমখিবা ৱাফমশিং হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি অমসুং মসিগীদমক অয়াবা লৌনবা তকশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

মীহুৎ ১৯ অসি দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংদা শরুক য়ারম্বগা লোয়ননা পাউমীশিংগসু উনরল্লবা মতুংদা মথং থাগী ২দা ইম্ফালদা হল্লক্লগনি হায়রি।

# য়ু কে এন এনা কে এন ও-কে এন এগী দেপ্যুটি...

*লমায় ২গী মখা...* সিংলুন খুল অনীগী মরক্তা লৈবা ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভি আর) কী মফম অমদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা কে এন ও/কে এন এগী দেপ্যুটি সী-ইন-সীনা কার রেজিষ্ট্রেশন নম্বর এম এন ০১/এ জি-৯১৮৭ (অঙৌবা মচু) গী হুন্দাই ক্রেটা অমদা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অনীগা লোয়ননা মহাক্না নক্নবা মীওই অমা লৈখিদবগী য়ুমদা অশিবা হংবা চৎপদা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকখিবা মফম অদু চূড়াচান্দপুরগী পীস গ্রাউন্দদা লৈবা সিক্যুরিটিগী পোষ্ট অমদগী ইম্ফাল লোমদা শুপ্নতগী কিলোমিটর অহুমলোমদমক লাপ্পনা লৈবা মফমনি হায়রি।

অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়বা য়ু কে এন এগী কাদরশিংনা অহানবদা কার অদু তম্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিন্দুনা এস্কুশ তৌখি। নোংমৈ মরূশিং অদুনা কার অদু থৌরকখিবা দ্রাইভর খক্তা নত্তনা মনুংদা তোংবশিং পানবদগী শোক্তুনা খাল্লবা মতুংদা অমুক চঙশিল্লক্লগা দেপ্যুটি সী-ইন-সী য়াওনা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অনী অদুবু ক্লোজ রেঞ্জদগী শোল্লবশিংগী মকোকশিং তম্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লম্বনা অহানবা হেক থেংনবদা মশক খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা নোংমৈনা পান্দুনা শিরগা কার অদুগা ইরাপ লাপ্পদনা লম্বীদা তাদুনা লৈরম্বা নুপী অদুদি মখোয়গা পূন্না লাকখিব্রা নৎত্রগা থৌদোক থোকফমদা লৈরম্বদগী হাইদোরকপা মরূনা পান্দুনা শিব্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু কার মনুংদা দেপ্যুটি সী-ইন-সী থাংবোই হাওকিপ থাপি (৪৮) অমসুং মহাক্কী বোদিগার্দ ওইরিবা কে এন এগী কাদর তৈসেম খুলদগী সৈখোগিন (৩৫) অপোকপা হেলেহুন অমদি চেংকোন খুলদগী লেঙানহাও (৩৫) অপোকপা সৈখোহেনগী হকচাংশিং ফংখি।

থৌদোক অদুদা নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিংনা ফালিং (৭২) মপুরোইবা হাওখোঙম কৌই। মহাক্না কোইতে খুলদগীনি হায়রি।

মখোয় অহুম্না অশিবা হংবা চৎলিবা মীওই অদুগী মমিংনা লৈখিদ্রবা বেনিং কৌই।

থৌদোক অসিগী মতাংদা চূড়াচান্দপুর পি এসনা সুও মোটুদা কেস এফ আই আর নম্বর ১০৯(৬)২০২৫ অন্দর সেক্সন ১০৩, ৩(৫) বি এন এস অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেশন চখুবা হৌখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই মরিগী হকচাং থৌদোক থোকফমদগী লৌখৎতুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবগীদমক চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মীরেলশঙদা থমখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মতম খরগী মমাঙদা কে এন ও/কে এন এগী কাদরশিংনা য়ু কে এন এগী পি আর ও সাংখোহাওবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুদগী য়ু জি গ্রুপ অনীগী মরক্তা য়েংথিনরকপদগী চূড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগী খূথাংদা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনরকখিবনি। অদুম ওইনমক কে এন ও/কে এন এগী মায়কৈদগীদি য়ু কে এন এগী কাদরশিংদা মখা তানা ফূ-চৈবা য়াওনা তাথী তাওইনবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চখুরকখিবনি হায়রি।

# চহী ৬কী নুপীমচা অমা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মীওই...

*লমায় ২গী মখা...* হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর টু (মণিপুর) গী জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈগী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখিবা মীওই অদুগী মমিং হুইদ্রোম অমুস্না অপোকপা ঐচ কুল্লচন্দ্র কৌই, লল্লাই পি এসকী মনুং চনবা নুঙ্গৈই মখা লৈকায়দগীনি। মহাক্না নুপীমচা অসিগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মতমদুদা মহাক মশাগী চহী ৪৪ শুরে হায়রি।

থৌদোক অসি নুপীমচা অসিগী অপোকপী মমানা দুকান ফম্বদগী মহাক্কী দুকানগী পোৎ চৈ তিকপা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চৎখ্রিঙৈদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিনা মহাক্কী চহী ৪ রোম শুরবী মনাওনুপী অমসুং অতোপ্পা চহী ৪ রোম শুরবা নুপামচা অমগা মখোয় অহুম শান্নদুনা লৈবনি। তাঞ্জাদুদা অমুস্নানা ভিক্টিম নুপীমচা অসিবু ইরাপ লাপ্পদনা লৈবা হৈক্রুজম তমুরৈ (৫০) মপুরোইবা ঐচ রাজমনি কৌবা নুঙ্গৈই মখা লৈকায়দগী নুপী অমনা ফম্বা দুকান্দা ভিক্টিম অসিবু পুরগা হৱাইমঙ্গল লৈবীদুনা পীজখি। অচাপোৎ অসি পীজদুনা থেল্লবা মতুংদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিবু মহাক্কী ফমুং কাদা পুশিন্দুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়রি।

মহাক্না থৌদোক অসিগী মতাংদা কনামত্তদা হায়দোকপা য়ারোই হায়দুনা অঙাং অসিদসু কিহনবদগী মহাক্কী মমানা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী হল্লকপদা অঙাং অদুগী ফীভম মহৌশাগা মান্নদনা লৈরম্বা থেংনরবসু নুপীমচা অসিনা করিমত্তা হায়দোকউ য়াখিদে হায়রি। অদুবু মহাক্কী মনাওনুপীনা ভিক্টিম অসিগী মতাংদা মমাদা ইচেগী ফিনুংদগী ঈ থোক্লে হায়না তম্বদগী নুমিদাং চাক তোক্লবা মতুং পুং ৮.৩০দগীনা ৯ লোম তারকপা অদুৱাইদা মমানা থেমদুনা হংবদা থৌদোক অসিগী ৱারী লীরকখিবনি হায়রি।

পাউঅসি তারবা মতুংদা মমানা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেশনদা ৱাকৎপদগী পুলিসনা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬ অমসুং আই পি সী সেক্সন ৫০৬কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৪(৩)২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চেন্নরিবা অমুস্নাসু কম্যান্দো পর্সনেলশিংনা ফারগা মার্চ ৯, ২০১৮দা শিন্নরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশন চখুরবা মতুংদা পুলিসনা চার্জশীট থাগৎলকপদগী কেস অসি ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট অসিনা স্পেশল ট্রাইএল (পোক্সো) কেস নম্বর ১৪ ওফ ২০১৯/০৭/২০২০ লৌখৎতুনা ৱায়েল চখুরকখিবনি। কেস অসিগী অরোইবা অর্গুমেন্ট থা অসিগী ২৬তা চখুরবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি জজ দল্লিয়ু তোনেন মীতৈনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। ওর্দর অসি লাউথোক্লন্দুনা ঐচ অমুস্নাবু মরালগী মতুংইন্না পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখিবনি। পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েল চখুরকপদা প্রোজিক্যুশনগী মায়কৈদা স্পেশল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম বিশমভোরনা লেপখি।

DIRECT ADMISSION
MBBS
At Top Medical College in BANGLADESH 2025-26
PLEASE CONTACT OUR OFFICE NO.
8119982311 / 7483336084
OFFICE ADDRESS:
NEEF (North East Educational Foundation)
Opp. UNACCO School, khongman II
HL-B/9658/23, 24,25,26 & 27

GAS NEWS

**M/S R&H Indane Service Irilbung**
Only Home Delivery
**Booking Upto 22/04/2025**
Valid from 16/04/25.
Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 324nos.**

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO- 02-06-25,**
VALID FROM 30-05-2025,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 21/05/2025
**BOOKING UPTO: 23/05/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 18-05-25**
Only home delivery sarvice
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
Time 7.30am to 10.am

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking Upto Date**
Office contact no. 9362654114
Whatsapp no. 9863624773
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg, 5kg, 19 kg

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 21/05/2025
**BOOKING UPTO: 23/05/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

## HL Poll

Q : Manipurda anouba leingak semnabagidamak centrena Chief Minister oigadaba meeoi ama khallakpada MLA pumnamakna yaningadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Meeyamgi apambani haiduna anouba leingak semnanaba phenglibasi union leingakna soidana semhallakani haina thajabra?

Yes 75% No 25%

## অস! লোইরেহে!

- লাইরিক শিংত্রে।




- মোবাইল ওইনা য়োল্লো!

# লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মশাগী চহী ৮০ শুরবা অহল অমনা হায় : লৈঙাক অসিদি অদুক্কী মতিক পেন্দ্রে, ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

সেরৌ ময়ায় লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান হৌরকখ্রবসু শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা চোংথোক্তুনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা লানগী থৌদোকশিং মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা থোকহন্দনবা পীস কম্মিটি শেমদুনা ফনা কুইনা নুমিৎ ২০গী মথক্তা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লানগী থৌদোকশিং থোকহল্লক্ত্রবা মতুং মে থাগী অরোইবা শরুক্তা য়ৌশিল্লকপদগী সেরৌ ময়ায় লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৮০ শুরবা অবুজম নিলতোম্বীনা পাউচে অসিদা হায়, লৈরিবা লৈঙাক অসিদি ঐখোয়গী মায়কৈদগী অদুক্কী মতিক পেন্দ্রে। মরম অসিনা অঙম্বা ওথোরিটিনা লান অসি লোইশিনবীদুনা ঐখোয়বু অমুক হন্না ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা তংদু লৈতানা লৈবা



ফংনবা হোৎনবীয়ু। রিলিফ কেম্পতা চহী অনী হেন্না লৈরক্লবনিনা অসুক্কী মতিক অৱা চৈনা খাঙবদা ৱাশিল্লক্লে। শুফম নোম্ফমসু লৈতে। ঙাইহাক্তং চৎথোক্লিংলবসু চৎফম লৈরক্তে। তশেংনমক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয় হিংলি হায়বদা মঙাইরে, ৱাবগী পনখে লান্থোরক্লবা ফীভম অমদা লৈরে। সিক্যুরিটি মতিক চানা পীদুনা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূম-ইঙ্খোলদা লৈবা ফংহনবীরো হায়রকখি। (মথং-মথং)

HUMAN RESOURCE
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump
Estd.2006
STUDY MBBS IN INDIA
• BANGLORE
• DELHI NCR
• UTTER PRADESH
• RAJASTHAN
• CHENNAI,PUNE,
• WEST BENGAL
• NORTH EAST
PG, MD, MS, MDS
BDS : Low budget
BAMS, BHMS
GET ADMISSION low budget Just NEET eligible Mark at Top Colleges
Study MBBS at Abroad
No Donation
Low Budget
No hiding fees
Transparency of process
Direct contact with Colleges
Bangladesh
Kyrgyzstan
Kazakhstan
Russia
Nepal
B-Tech, BBA, BCA
Nursing, Agri, Hotel Mgnt,
Paramedical, B.Pharm,
Bio-Tech, B.com,
B-LLB, MHA, BA, B.Sc
Humanities of S.Sc,
B.V.Sc.A.H. (Veterinary)
BNYS (Yoga)
Contact Nos.
8794758218 / 8787735485
HL-P/2509/21-19 JULY